হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নিংথৌখোম্বম শাগৌ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শীন্দুনা মকোক থোংলকপা মহৈরোয়শিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্ড য়েন্থোকপগী শক্তম

লামায় ৩

ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ, ঐচ আই ভি পোজিটিব অমসুং বিলো পোভর্টি লাইনদা লৈবা অঙাংশিংদা খূদোলপোৎ পীবা থৌরমগী শক্তম

লামায় ৪

দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা পুথোকপা কুমজা ২০১৮গী কেলেন্দর, দাইরি ফোঙবগী শক্তম

অনৌবা চহী লাকপগা ইরোয়ননা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুরনা ভেল্যু বেজ এদ্যুকেসন পুরক্লবা হোৎনখিগনি হায়বগী পাউজেল পীবা

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.277 নিংথৌকাবা, ৱাকচিং ১৪ নি পানবা, অপূনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, January 01, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৮.১৭
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৭.৯৩

কম্প্যুটর হুরানখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১: হৈরোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সলুংফম হায় স্কুলগী থোঙনাউ অমা থুগায়রগা স্কুল অদুগী কম্প্যুটর কয়া অমদি কম্প্যুটরগী পোৎলম কয়া হুরানখ্রে। থৌদোক অসি থা অসিগী ২৯গী অহিংদা থোকখিবনি। স্কুল অদুগী হেদমাষ্টর তোম্বনা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১: মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটিগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বা অইবা আর জে মীতৈনা লৈখিদবদা ঙরাং নুংথিল সোসাইটি অসিগী ওফিসতা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি বিজয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পাউচে পুথোক্লরোই

ঙসি জান্যুৱারী ১, ন্যু য়রগী প্রেস ছুটি ওইবনা মরম ওইরগা মথং নুমিৎ জান্যুৱারী ২দা পাউচে অসি পুথোকচরোই। *- মেনেজর*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৪.৬৭ °C	১১.০৯ °C
চান্দেল	২৭.৩৩ °C	১২.১০ °C
সীসীপুর	২৪.০৮ °C	৯.৮৭ °C
ইম্ফাল	২৬.৭১ °C	৯.৬৯ °C
সেনাপতি	২৪.৭৫ °C	৭.৪০ °C
তমেংলোং	২৬.৩৯ °C	১৪.২০ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	১৯.১৯ °C	১০.০২ °C
মণিপুর	২৭.৫৬ °C	৭.৪০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.609039
US Dollar	63.849887
British Pound	86.214215
Australian Dollar	49.893237
Chinese Yuan Renminbi	9.814393
Japanese Yen	0.566732
Malaysian Ringgit	15.779030
Vietnamese Dong	0.0028
Singapore Dollar	47.744388
South Korean Won	0.059874
Philippine Peso	1.275860
Thai Baht	1.955070
Myanmar Kyat	0.04693
Bangladesh Taka	0.77117

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30160.43
Mumbai	–	Rs 30770.05
Delhi	–	Rs 30213.90
Kolkata	–	Rs 30855.61

HL POLL

Q : Kumja 2018 da Bandh Blockade leitaba Manipur oihanba ngamgani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : PM na CSO singgi luchingba singda toknga thajaganu hairabanina eikhoi tuminna leisinba yaradra?

Yes 10% No 90%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

অনৌবা চহী লাক্লেনা চাবগা থকপগা... নঙনা তৌরিসে...!

ꯑꯅꯧꯕ ꯆꯍꯤ ꯂꯥꯛꯂꯦꯅ ꯆꯥꯕꯒ ꯊꯛꯄꯒ... ꯅꯉꯅ ꯇꯧꯔꯤꯁꯦ...!



চহী ৪০ শুবগী অৱাবা ফোঙলিনি !

ꯆꯍꯤ ꯴꯰ ꯁꯨꯕꯒꯤ ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯂꯤꯅꯤ !

ইম্ফাল-চান্দেল বস সর্ভিস ঙসিদগী হৌরগনি

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বেনিফিসরি ৪৫ দা লুপা লাখ ৫৪ রোমগী লোন য়েন্থোকখ্রে

চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং জান্যুৱারি ১৫ দা হৌদোক্লগনি।

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচএন এস): চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা থাজবা পীখিবগী মতুং ইন্না মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) কী মখাদা চহী হৌবা নুমিৎতগী ইম্ফাল-চান্দেল বস সর্ভিস হৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে। জান্যুৱারি ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরমদনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংশিংগী হেল্প ইন্স্যুরেন্স স্কীম) হৌদোক্লগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী কমপ্লেক্সতা ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবদা মহাক্না ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা অনৌবা চহীগী য়াইফ-পাউজেল পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অনৌবা লৈঙাক্তা মপূং ফানা শৌগৎলকপগা লোয়ননা মতেং পাংলকপগীদমক মীয়াম অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) শিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মতুং তারকপদসু কনাগুম্বনা খোঙজং অমা চঙশিনদ্রিঙৈগী মমাঙদা ৱারী শানবগী টেবলদা লাক্কুনা তাথোক-তাশিন তৌবীয়ু। মীয়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা মতমদা ৱারী শাননবগীদমক লৈঙাক্লা থোঙ লাওনা হাংদুনা থল্লি।

শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা লৈঙাক্লা পুকচেল শেংনা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, জান্যুৱারি থাদা ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসনগী করপসনগী কেস খক্তমক পায়গদবা তোখায়বা পুলিস ষ্টেসন অমা হাংদোক্লগনি। লৌফম কন্নবগী মতাংদা অনৌবা থৌরাং অমসু লৌখৎলগনি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগা ফাওননবা ইম্ফাল-বেহিয়াং রোদপু অনীশুবা কোরিদোর ওইহনবগী মতাংদা সেন্টরনা অয়াবা পীরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সিংহাৎতগী বেহিয়াং ফাওবগী লম্বী নেসনল হায়ৱেগী থাক্তা পুখৎলগনি। থৌরাং অসিনা চূড়া-চান্দপুর অমদি লম্বী মশাং অসিগী নাকল য়েৎ-ওইদা লৈরিবা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

ষ্টেট অসিগী মফম পুম্নমক্তা মৈ ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা মৈ ফংহনবা ঙমদ্রিবা খুঙ্গং ৫৭ তা মথং চহীগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা মৈ ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। ষ্টেট অসিগী য়ূমথোং খূদিংমক অমদি কম্যুনিটি সেন্টর-শিংদা টোইলেট শানবা থৌরাং লৌখৎলি। সেন্ট্রেল স্কীম পুম্নমক ষ্টেট লৈঙাক্লা মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। মথং চহীগী মার্চ ফাওবদা পি এম এ ৱাইগী মখাদা য়ুম ১০,০০০ শানবা পান্দম থল্লি। লাক্লিবা জান্যুৱারি থা মনুংদনা চীংগী ডিষ্ট্রিক্ট হেদকার্টর খূদিংমক্তা নুপীশিংগী কৈথেলশঙ শাবা লোইশিল্লগনি। এন এল সী পি আরগী মখাদা তমেংলোং ৱাটর সপ্লাই স্কীমসু অথুবা মতমদা থবক হৌরগনি।

এদ্যুকেসন সেক্টরগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অথুবা মতমদা মণিপুর প্রাইভেট স্কুলস (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগ্যুলেসন) এক্ট অমসুং মণিপুর প্রাইভেট কোচিং সেন্টর্স এক্ট চৎনহল্লগনি। স্কুলগী সিলেবসতা লোকেল হিষ্ট্রি য়াওহনবগা লোয়ননা চীং অমসুং তম্পাক্তা খুন্দারিবা মীয়ামগী মরক্তা লৈনরম্বা অরিবা মতমগী ৱারী ময়েক শেংনা য়াওহন্নবা এস সী ঈ আর টিদা খঙহনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাং য়াওনা লায়রবা মীয়ামদা মতেং পাংনবা সোসল সিক্যুরিটি স্কীম কয়া লৈঙাক্লা চৎনহনবা ঙল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমগীদমক ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট হাংদোকপগা লোয়ননা টোল ফ্রী ওইবা নুপীগী হেল্পলাইন নম্বর লৈরবা মরম্না নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম লাকশিনবা ঙল্লগনি।

থা মাপন মপূং ফাদ্রিবা অনৌবা লৈঙাক্তা থাজবা থম্বীবগীদমক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা মীয়াম্না অনৌবা

...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মণিপুরদা টু হুইলরগী মশীং লাখ ২.৩৩ য়ৌরে

কারনা ৩৭,৯৬৬, বসনা ১২৯৪ য়ৌরে

অসেম বেবিচা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): লম্বীদি পাকথোরকপা লৈতে, অদুগা লম্বী অসিদা চেল্লিবা গাড়ীগী মশীংদি নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলকপনা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বী-লমজাও খূদিংমক চৎথোক-চৎশিনদা নুংঙাইবা মফম ওইরক্লে।

মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ট্রান্সপোর্টতগী ফংবা ভেহিকল পোপ্যুলেসনগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট অসিদা রেজিষ্টর তৌরবা টু হুইলর মশীং ২,৩২,৭৪৩ য়ৌরে। হেনগৎলক্লিবা মশীং অসি মমাং চহীগা য়েংনবদদি লিশিং ২১,৭৫৩ হেনগৎলি হায়না রেকোর্দ তৌরি।

লম্বী চিনবা কোকহন্ননবা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী খ্বাইদগী ফরবা পান্বে ওইনা শীজিন্নরিবা বসকী মশীংদি হৌজিকসু কা হেন্না হেনগৎলকপা লৈত্রি। মমাং চহীদা বসকী মশীং ১,২৪৪ খক ওইখি। অদুগা, চহী অসিদনা ১,২৯৪ য়ৌখি। হেনগৎপগী মশীং ৫০ খক্তা ওইরি। মসিনা তাক্লিবদি মণিপুরদা হৌজিকসু পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম হিঙ্গৎলে হায়বা য়াদ্রি।

য়াম্না থাজদবা মওং অমদা কারগী মশীংসু শীংথানবা য়াবা চাংদা হেনগৎলে। লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা রেজিষ্টর তৌবা কারগী মশীং ৩৭,৯৬৬ য়ৌরে। মসি মমাং চহীগা য়েংনবদা হন্দক্কী চহীনা কার মশীং ৬,৭০০ হেনগৎলবনি হায়রি।

ভেহিকল পোপ্যুলেসন রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চহী অসিগী মার্চ থা লোয়বা ফাওবদা মণিপুরদা ট্রককী অপূনবা মশীং ১২,২৫৫ য়ৌখি। য়াইমরপ চাওবা ট্রক/টিপ্পরগী মশীংনা ১,৬৬৯, মিনি ট্রকনা ১,১৭৪, এল জি ভি (দি আই)না ২,৮২৪ য়ৌরে। ৱাটর টেঙ্করগী মশীংনা ১৮৮, ওইল টেঙ্করগী মশীংনা ৪৭১, এল পি জি বুলেটনা ৩১, বসনা ১,২৯৪, য়াইমরপ চাওবা বসনা ১৩১ অমসুং মিনি বসনা ৮১ য়ৌরে।

পেসেঞ্জর চেন্নরিবা টাটা আইরিসশিংগী মশীংনা ১৮০ নি। অদুগা, মেজিক/সুমো/ৱিঙ্গর/ক্রুইজর/জীপকী মশীংনা ৫,৩৪৫ য়ৌরে। ওটো রিক্সো মখল অহুম হায়বদি, পেট্রোলনা চেনবনা ৪,৫৮৯, দিজলনা চেনবা ওটো রিক্সোনা ১২,৫৫৩ অমসুং পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবদা শীজিন্নবা ওটো রিক্সোগী মশীংনা ১৩৮ ওইখি। মারুটি ভেননা ৬,২৭০ ওই হায়না রিপোর্ট অসিদা পল্লি।

মণিপুর দান্স প্রদক্সনগী ৱার্কশোপ লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থুং মখাদা অরিবম রাসেশ্বরি নাগামপাল সোরাম লৈরক্লা শীন্দুনা চথরকখিবা থা ১গী ওইবা চিলদ্রেন ৱার্কশোপ ওন মণিপুরী দান্স প্রদক্সন ওফ ফ্যুজন ইন্টর ইথনিক দান্স ইন্সেম্বল ফোর চিলদ্রেন লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি উরিপোক কাংচুপ রোদতা লৈবা মণিপুরী জগোই মরূপকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জে এন এম দি এগী রিটাইয়র্দ প্রধান গুরু এস থানিল পদ্মশ্রীনা হায়খি, অঙাংশিংবু তম্বীদুনা খঙহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। প্রোজেক্ট অসি অহৈবদা উৎলু হায়বা নত্তে। মণিপুরদা কলচরগী ওইবা ওর্গনাইজেসন কয়া লিংখৎলক্লি। তুং কোয়না লৈবগী চাংদি হন্থরক্লি। অঙাং ওইরিঙৈদগী তমদুনা খঙহল্লবদি হৈবা হেনবগা লোয়ননা কাউগন্দে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হোৎনরিবসি ষ্টেট-ষ্টেটকী ওইবা কলচর অদু মাঙদনা লৈহৌনবনি। আর্ট এন্দ কলচর খঙলগা চৎলবদি বি এ, এম এ লোয়রগা পোলিটিক্সতা চঙলবসু কান্নগনি। আর্ট এন্দ কলচর খঙলবদি হীরম খূদিংমক্তা চঙবদা হেন্না কান্নবা লাক্কনি। কলচর তৌবদা শেল তানবা ওইনা খন্দুনা খরা লেমহৌনবা হোৎনবনা আর্ট এন্দ কলচর চাউখৎপা য়ারোই। মণিপুরগী মপানদা চৎপা তারবসু আর্ট এন্দ কলচর হায়বসি খঙলগা চৎলবদি কান্নবা ফংই। লাইরিকসু হৈতবা য়াদে, আর্ট এন্দ কলচরসু খঙদবা য়াদে। মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা পালগী দিরেক্টর ষ্টেট এৱার্দী এন টিকেননা হায়খি, কলচর, ট্রেদিসন হায়বসি মাঙবা লৈত্রি। ট্রেদিসনেল আর্ট হায়রগা ফোক অমদি ক্লাসিক ওইনা হায়নরি। মাইবী জগোই হায়বসি লাই হরাওবগী মপূং ওই। ক্লাসিক হায়বসি ফিলোসোফিদা য়ূম্ফম ওই, হিষ্টোরি য়াওই। মণিপুর নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লাক্লবসু নিংথৌশিংনা ফুরুপ-ফুরুপকী ওইবা কলচর মুখৎনবা হোৎনদে। ঐখোয়গী কলচর মুখৎলমদে। কলচর অমসুং স্পোর্টস হায়বসি পূন্না চৎলম্বনি। হৌজিক্লা কলচরগা স্পোর্টসকা খায়দোক্লরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা এন ঈ জেদ সী সীগী মেম্বর বুধ চিংথামনা হায়খি, অঙাং হায়বসি লননি।

...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

করি ৱারেপ লৌরকপগে হায়বদু য়েংগনি : লূপশিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা শোকহনবা য়ারোই হায়বা ফিরেপ খঙহল্লুবা অমুকো, য়ু সী এম অমসুং সী সী এস কেগী লুচিংবশিং ইম্ফালদা হল্লকখ্রে।

য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা খোঙচৎ অদুগী কনভিনরসু ওইরিবা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সননা হায়খি, নুমিৎ ১৫ নি রোম দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈরিঙৈদা ওপোজিসন, রুলিং অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মরুওইবা মীশক কয়ামরুম উনদুনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন-শিংনা শীন্দুনা মমাংদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুগী কোপী অমমম্ পীশিনখি। ঐখোয়গী ৱাকৎ সেন্টরগী লুচিংবশিংনা তাবীবদৌনা তৌই। অদুমকপু মখোয়না করি ৱারেপ

লৌরকপগে হায়বদুদি য়েংখিগনি। অদুবু, খোঙজংদি হন্দোকখিরোই।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর খক্তা নৎতনা অসাম, অরুনাচল য়াওনা শোকহনবা তারবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, দিল্লিদা লৈরিঙৈদা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী লুচিংবশিং, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর রাজনাথ, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, আম আদমি পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমদি আই-এমগা ৱারী শাননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হাপখিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিগসু উনদুনা ঐখোয়গী ফিরেপ অমসুং ৱাখল্লোন থল্লমখি।

কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩ দা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী তুংদা লৈঙাক্কী ওইবা ৱারেপ অমা লৌরকপদা সেন্টরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱা তাদবা য়ারোই হায়না তকশিনখি। ইস্যু অসিদা চেন্নরিবা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মীয়ামগী অপাম-পামদা অমদি অফ-ফত্তা নৈনদনা ষ্টেট কাল্লগা সেন্টরনা থবক তৌবীদনবসু মখোয়গী মায়কৈদগী ময়েক শেংনা খঙহল্লমখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা ওইহনগদৌরিবা

...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

বন্দ-ব্লোকেদ, হাৎন-শুনবগী থৌদোক মশীং হন্থরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা তুংদা মণিপুরদা মরাং কায়রম্বা বন্দ-ব্লোকেদ অমসুং ইকনমিক ব্লোকেদকী চাং শাথীনা হন্থখ্রে। লৈঙাক পায়রকপদগী চহী লোয়শিনখিবা ফাওবদা শুপ্নতগী নুমিৎ ১০ নি খক বন্দ তৌখি।

য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা মমাংগী চহীদা ও ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবা অদু হন্দোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা চথরকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অদু চহী অসি হৌবদা লোয়নরগা লাকখি। ইকনমিক ব্লোকেদ মনুংদা মীখল পাঙথোকপগা লোয়ননা অনৌবা লৈঙাক লৈখ্রবা মতুংদা নুমিৎ ১৩৯ নি শুরবা ইকনমিক ব্লোকেদ চহী অসিগী মার্চ ১৯ দা লোয়শিনখি। মসিগী মতুংদগী মখা তানা ইকনমিক ব্লোকেদ অমফাওবা তৌখিদ্রে।

ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা পাউচে অসিনা খোমজিনবা রিপোর্টকী মতুংইন্না চহী অসিগী মনুংদা ময়াং ৪ শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। ময়াং মরি অদুগী মনুংদা মার্চ ১৭ তা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ অমসুং লমদেং খুনৌগী মরক্তা হাৎখিবা অদুমখক নৎতনা অতৈ অহুম অমদি করম্বা লালহৌলূপনা হাৎপনো হায়বা ক্লেম তৌরকখিদে।

কুমজা ২০১৬ তা মীচম, সিক্যুরিটি ফোর্সকী পার্সনেল অমসুং অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগী কাদরশিং শিবগী চাং য়াম্না হন্থখি। চহী অদুদা মীচম ১৪, সিক্যুরিটি ফোর্স ১১ অমসুং লালহৌবা ৮ শিখি হায়না রিপোর্ট তৌরি। অদুবু, হন্দক্কী চহী কুমজা ২০১৭ অসিদদি মী শিবগী চাং খরা খজিক হেনগৎলকখি। চহী অসিগী মনুংদা মীচম ২৩, সিক্যুরিটি ফোর্সকী পার্সনেল ৯, লালহৌবগী কাদর ২৩, পূন্না মীওই ৫৫গী পূন্সি মাঙখি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মণিপুরদা চৎলিবা চহী অসিদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক ৩৪ থোকখি। থৌদোক ৩৪ অসিদা মীওই ৬ শিখি। অদুগা মীওই ৬২ না লায়কন্নখি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক-শিংগী মনুংদা, জান্যুৱারী ৭ তা নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা বোম পোকখায়বদা মীওই অনী শোকখি। জান্যুৱারী ২৬ তা মন্ত্রিপুখ্রিদা বোম পোকখায়খি। অদুবু মীওই অমত্তা শোকখিদে। নুমিৎ অসিমক্তদা শিংজমৈ চীংঙামখা লিৱা লম্বীদা বোম অমা পোকখায়খি। মদুদসু অশোক-অপন য়াওখিদে। ফেব্রুৱারী ১ দা নাচৌদা বোম অমা পোকখায়খি। মদুদা মীওই অমা শোকখি। মার্চ ২ দা লাঙ্গোল লাই মনাইদা বোম পোকখায়বদা মীওই ৭ শোকখি। মার্চ ৭ তা কামজোংগী আই সী ভিলেজদা বোম পোকখায়বদা মীওই অমা শোকখি। মার্চ ৭ তা অশাং খুলেমদা বোম পোকখায়বদা মীওই অমা শোকখি। মার্চ ৯ দা কষ্টুরি ব্রিজ ময়াদা লৈবা বিকাস ফার্মাসিদা চথরকপা বোমগী এটেকতা মীওই মাপন শোকখিবা য়াওরি।

কুমশি চহীগী ওইনা খ্বাইদগী মীশিমীনা থোকখিবা থৌদোক্তি এক্সিদেন্টনি হায়বা য়াই। হন্দক্কী চহীগী এক্সিদেন্টতা

...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনচিংবা লুচিংবশিংনা মীয়ামদা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, অনৌবা চহীনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। তুংগী য়াইফনবগীদমক থাজবা থল্লি। লাক্কদৌরিবা চহী অসিদা মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশি-চান্নবা পুরক্লবগীদমক অমত্তা ওইনা খূৎশম্নুনা চৎমিন্ননবা লেপমিন্নরসি। অনৌবা চহীনা লাকপদা লমদম অসিদা চাউখৎপা, য়াইফবা, ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, অনৌবা চহী ২০১৮ না লাকপদা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা অমদি নুংশি-চান্নবা পুরক্লবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি। অনৌবা চহীনা মীপূম খূদিংমক্তা য়াইফবা পীবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱার্ক্স অমদি আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, অনৌবা চহীনা লাকপদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। অনৌবা চহীনা লাকপদা ষ্টেট অসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী মরক্তা অমত্তা ওইবগী মরী চেৎশিনহনবা অমদি ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মাহুদ অমদি ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, অনৌবা চহীনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা পূন্দুনা য়াইফবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নদুনা ঈং-তপ্পা অমদি অপূনবগী শক্তম চেৎশিনহল্লসি। অনৌবা চহী ২০১৮ না লাকপদা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা অমদি নুংশি-চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যাম, সোসল

...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

লাখ ১.৩০ গী য়ু মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): থৌবাল পুলিস অমসুং এক্সাইজ থৌবালনা হৌখিবা থা ২ দা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফাগৎলকপা লুপা লাখ ১.৩০ রোমগী মমল ওইগদবা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাঙ ঙসি থৌবাল মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা এক্সাইজ থৌবালগী মমাংদা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, বি রিসিকেশনা ফোঙদোরকপদা নবেম্বর অমসুং দিসেম্বর থা অনীগী মনুংদা তোঙান

...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

SPECIAL OFFER 10 INAUGURAL Discount VALID TILL 3rd Jan'2018

AVIATION & HOSPITALITY ACADEMY
www.aptechaviationacademy.com
Aptech AVIATION & HOSPITALITY ACADEMY

Pick hot careers in
- Aviation
  - Cabin Crew
  - Ground Staff
  - Customer Service Executive & more...
- Hospitality
  - Front Desk Assistant
  - Guest Relationship Officer
  - Housekeeping Supervisor & more...

100% Placement Assistance

ADMISSION OPEN

1st Batch Commencing from 3rd Jan'18

For more detials, please visit:
YAIPHKOL BUILDING, Singjamei Parking.
☎ +91 8414808200
+91 7085440528

HL-B/4286/17/12-18/01

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokhaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-P/4077/14Dec.-14Jan.